# সাউদি আরাবিয়ানা লূচিংবা কোলিসননা মীচম ৪১ হাৎখ্রে



সানা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ
সাউদিনা লূচিংবা কোলিসনগী ৱারপ্লেনশিংনা য়েমেনগী মার্কেট অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা মীচম ৪০ হেন্না শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী এজেন্সী এ এফ পিনা ডোক্টরস ৱি দাউট বোর্দস (এম এস এফ)না শিন-লাংবা হোস্পিটাল অমগী ওফিসল অমা পল্লদুনা হায়খি, এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুদা শিখিবা মীওই ৪১গী অশিবা হকচাংশিং অমসুং অশোকপা মীওই ৩৫ হোস্পিটাল অদুদা পুরকখ্রে। হেল্থ ওফিসল অমনা হায়খি, শিরিবশিং অদু মীচম ঙাক্তনি অমসুং মদুদা অঙাংশিংসু য়াওরি।

"এয়র ষ্ট্রাইক নংলিবা মফম অদু উবদা কিনিঙাইনি" হায়না সোরৈ হামৌদ কৌবা মীওই অমনা মাষ্টাবাদতকী ফোনগী খুত্থাংদা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা হায়খি।

"মফম খূদিংমক্তা ঈ অমসুং হকচাংগী মচেৎশিংনা চাইরে। শিরিবশিং অদুগী মনুংদা ষ্টোলশিংদা থবক তৌবা নৎত্রগা পোৎ খরা পুথোক-পুশিন তৌরগা শেল মচা মচা তাঞ্জবা অঙাং কয়া য়াওই" হায়না মহাক্না হায়খি।

"মীশিংনা হকচাং মচেৎশিং অদু খাউ অমসুং ব্লানকেটশিংদা হাপ্পুনা পুনখি অমসুং ঐহাক্না লেং ওৎত্রবা হকচাং ৩০ ফাওবদি মশিং থিরে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মজাহেম খেদর কৌবা অনীশুবা ৱিটনেস অমনা হায়খি, মীওই দোজন কয়া শিখ্রে অমসুং অশোকপশিংনা মতেং কৌদুনা কপ-লাউনবা মহাক্না উখি।

মোহম্মদ মুষ্টাফানা হায়খি, অহুমশুবা এয়র ষ্ট্রাইক অমা চথরক্কদ্রা কিনবদগী মীশিংনা অশোকপশিংদা মতেং পাংনদে।

কিংদম অদুনা লূচিংদুনা মালেমগী চৎন-পথাপশিংগী মায়োক্তা য়েমেনগী সিভিল্যান টার্গেটশিংদা মাঙ-তাক্লিঙাই ওইরবা এয়র কেম্পেইন চথরে, বোম কয়া থাদখ্রে হায়না এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

"মীওই লীশিং কয়া শিখ্রে। মীওই কয়া অমা শোক্লে অমসুং ময়ুম-মকৈ থাদোক্লরে। য়েমেনদা হৌজিক অচৌবা হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিস অমা থোক্লে" হায়না মখোয়না মখা তাখি।

# নুপী সুইসাইদ বোম্মর অনীনা মোস্কতা এটেক তৌখ্রে, মীওই ২২ হাৎখ্রে

মাইদুগুরি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ
নাইজিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা সিটি মাইদুগুরিগী চীদাইদা লৈবা মোস্ক অমদা ঙসি অয়ুক লাইশোন পাঙথোক্লি ঙৈদা চথরকখিবা এটেক অমদা নুপী সুইসাইদ বোম্মর অনীনা য়ামদ্রবদা লাই খুরুম্বা য়াওবা মীওই ২২ হাৎখ্রে হায়না বোকো হারামগী হৌফমদগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।




বোম্মর অমা মোস্ক মনুংদা হান্না পোকখায়খি অমসুং অনীশুবা বোম্মর অমনা মপান্দা চেঙ্গোরকপা মীশিং টার্গেট তৌদুনা পোকখায়হন্নবা ঙাইদুনা লৈখি হায়না সিবিল্যান সেল্ফ দিফেন্স ভিজিলেন্ট গ্রুপকী কোওর্দিনেটর অবা অজিনা ফোঙদোকখি।

য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ এটেক অদুদা শোকখি অমসুং হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়না আর্মিগী স্পোক্সমেন কর্নেল সানি উশমননা হায়খি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবা উমার উশমন কৌবা মীওই অমনা হায়খি, থেংনা লাকপনা মরম ওইদুনা মহাক শাথিরবা এটেক অদুদা হিংহৌবনি। বোম পোকখায়বগী অহৌবা মখোল অমা তাবা মতমদা ঐখোয় মোস্ক অদুদগী মিটর খরদমক লাপ্পা লৈখি অমসুং ঐখোয়না পুংমম মম্বা মৈখু মপৈ অমসুং মীগী অশিবা হকচাংশিং চাইরগা লৈবা উখি হায়না মহাক্না এসোসিয়েটেদ প্রেসতা ফোঙদোকখি।

রেস্কু ৱার্করশিংনা অশিবা হকচাংশিং অমসুং হিংহৌবা মীশিং থীদুনা লৈনখি। মুস্লিমগী চৎনবীগী মতুং ইন্না অশিবা হকচাং ১৩ লৈরোল চন্নবা ক্লেম তৌরক্লে হায়না হোস্পিটালগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মোস্ক অদু বোকো হারাম ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা শোক্লরিবা লালগী মিলিটরি কম্মান্দ সেন্টর ওইনা শীজিন্নবা সিটি অদুগী চীদাইগী শরুক্তা লৈবা উমারারি কৌবা মফম অমদা লৈবনি। পাউ খরনা উমারারিবু বোকো হারামগী ষ্ট্রোংহোল্দ অমনি হায়না ফোঙদোকখিবদু লাল্লি হায়না ওফিসলশিংনা হায়খি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা সুইসাইদ বোম্মর কয়া সিটি তাবা লম্বীগী অথিংবা মফমশিংদা পোকখায়খি অমসুং থৌওং অদুনা এটেক্করশিংবু মী চিনবা মফমশিংদা চঙহন্দনবা হোৎনবদা মায় পাক্লে হায়বা উৎলে হায়রি।

ঙসিগী এটেক অদু হৌখিবা দিসেম্বর ২৮দা চথখিবা মিলিটেন্ট এটেক্কী মতুংদা মাইদুগুরিদা ইনৌ নৌনা পাঙথোকপা অহানবা এটেকনি। মমাঙগী এটেক অদুদা রোকেট প্রোপেল গ্রেনেদশিং পোকখায়বদা অমসুং সুইসাইদ বোম্বিং কয়াদা লাঞ্জেন্নবা মীওইশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৫০ শিখিবনি।

মিলিটরিনা হায়খি, থা অসিদা ফীভম কায়না মশা ময়েং তারবা মিলিটেন্ট কয়ামরুম সরেন্দর তৌখিবগা লোয়ননা লালহৌবগী ঈরাং য়ৌবা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদগী হায়জিল্লকপশিং য়াওনা সপ্লাইগী লম্বীশিং থদৎপদা পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মহৈশিং লাক্লে হায়বা উৎলে।

মিলিটরিনা টাউন খূদিংমক্তগী বোকো হারামগী মিলিটেন্ট পুন্নমক তকথোকপা ঙম্লে হায়না নাইজিরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুহাম্মাদু বুহারিনা ক্লেম তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং য়ু এস অফ্রিকা কম্মান্দগী চার্জ পুরিবা জেনরেলনদি বোকো হারামনা হৌজিকসু মফম কয়ামরুম কন্ট্রোল তৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে। নোর্দন ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা জেনরেল অদুনা বোকো হারামনা কন্ট্রোল তৌরিবা মফমশিং অদুদা বোর্দর টাউন অহুম য়াওই হায়খি। মদুনা উমারারি হায়রিবা মফম অদু বোকো হারামগী ষ্ট্রোংহোল্দ নত্তে হায়বা তাক্লে হায়রি।

# *পেরিস এটেক্কী মতাংদা রেইদ চথরিঙৈদা পুলিসতা কাপশিল্লকখ্রে*

ব্রুসেলস, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ
হৌখিবা চহীগী পেরিস এটেক-শিংদুগা মরী লৈননা এন্টি-টেরর রেইদ অমা চথরিঙৈ মনুংদা য়ামদ্রবদা গনমেন অমনা ওফিসারশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী বেলজিয়মগী পুলিসনা ব্রুসেলসকী মফম খরদা মী তান্নবা অমসুং থীবগী অচৌবা ওপরেসন অমা হৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। এন্টি-টেরর ওপরেসন চথরিঙৈদা কাপশিল্লকপা অদুদা পুলিস ওফিসার অহুম শোকখি হায়রি।

ফ্রেঞ্চ ইন্টরিয়র মিনিষ্টর বনার্দ কাজে ন্যুভনা হায়খি মদুদি, বেলজিয়ন অমসুং ফ্রেঞ্চ পুলিস য়াওনা পুলিসকী টিম অমনা রেইদ অমা চথরিঙৈ মনুংদা এসোল্ট নোংমৈ শীজিন্নদুনা কাপশিল্লকখি। অহানবগী ওইনা নোংমৈ মরু খরা কাপ্লকখ্রবা মতুংদা পুং ২গী মনুংদা বোদি আরমর শীজিন্নবা স্পেসল পুলিস য়ুনিটশিং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা ফোরেষ্টকী পাক চাউরবা মফম খরা মী অমত্তা চঙহনবা তৌহন্দনা থমখি। পুলিসনা য়ামদ্রবদা সস্পেক্ট অমা কোইথি থিখিবগা লোয়ননা হেলিকোপ্টর অমনা মথক্তা পাইদুনা এরিয়া অদুবু পেট্রোল তৌখি হায়রি।

# জপাননা চাইনা শীংনদুনা সবমেরিন, নেভল ভেসেলশিং থারগনি

টোকিয়ো, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ
চহী ১৫গী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা জপানিজ সবমেরিন অমা ফিলিপিন্সকী পোর্ট অমদা খাল্লগনি লোয়ননা সবমেরিন অদুগা নেভল সিপশিংনা ইহান হানবা ওইবা ভিয়েটনামগী কাম রান বেদা ভিজিট তৌরগনি হায়না জপানগী নেভিনা ফোঙদোকখ্রে।



চাইনানা মসিগী এসিয়াগী লম্বা জপানবু সাউথ চাইনা সিদা খুৎ থিংজিল্লকই হায়না মরাল শীখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা জপাননা ৱাফম অসি লাউথোরক্লিবনি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা ফিলিপিন্স অমসুং ভিয়েটনামবু খুদুম চনখিবা জপাননা হৌজিক লৈবাকশিং অসিগা মরী চেৎশিন্নবা হোৎনরিবনি হায়রি। মেরিটাইমগী য়েৎনবা কয়াগী মরক্তা লৈবাক অহুম্মক চাইনানা মিলিটরি মসল উৎপা হেনগৎলকপদা নুংনাংলিবনি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সি অপুম্বা ক্লেম তৌরি হায়না লৌনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা ইষ্ট চাইনা সিদা লৈবা ঈথৎ খরগী মতাংদসু জপানগা তোঙান্না মুক্কবগী ফীভম অমসু লৈরিবনি। ইষ্ট চাইনা সিগী ঈথৎশিংগী য়েৎনবদুনা মরম ওইদুনা হন্দক চহী খরা অসিদা জপান অমসুং চাইনাগী মরী শোকচিল্লকখি।

চাইনানা লৈবাক কয়ানা ক্লেম তৌনরিবা রীফশিংবু মিলিটরি ফেসিলিটিশিং সপ্পোর্ট তৌবা ঙম্বা খুৎশেমগী ঈথৎশিং ওন্থোকখিঙৈদগী মালেম পুম্বগী থাউগী শরুক অহুম থোকপগী অমা পুথোক-পুশিন তৌনরিবা সাউথ চাইনা সিদা টেন্সন ৱাংখৎনরকখি।

ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ভিয়েটনাম অমসুং টাইৱাননা সাউথ চাইনা সিগী স্প্রাটলি ঈথৎশিং নৎত্রগা ঈথৎ চেইন অসিগী শরুক খরা ক্লেম তৌবগা লোয়ননা ভিয়েটনাম অমসুং টাইৱাননসু চাইনাগা মান্ননা সি অদুদা লৈরিবা পারাসেল ঈথৎ চেইন ক্লেম তৌরিবনি।

চহীগী ওইনা পাঙথোকপা অফোঙবা সি দ্রিলশিংদা শরুক য়ানবগীদমক্তা জপানিজ সবমেরিন ওয়াসিও অমসুং এস্কোর্ট ভেসেল অনী ফিলিপিন্সকী সুবিক বেদা চৎলগনি হায়না জপানগী মেরিটাইম ষ্টাফ ওফিসকী স্পোক্সমেন অমনা এ এফ পিদা কনফার্ম তৌখ্রে।

এস্কোর্ট সিপশিং অদু তুংদা ভিয়েটনামগী কাম রান বেদা চৎকনি। ওফিসার কেন্দিদেটশিং য়াওনা পার্সনেল ৫০০না শরুক য়াগদৌরিবা এক্সরসাইজ অদু থাংজ নুমিৎতগী হৌগনি অমসুং এপ্রিল ২৭ ফাওবা চথগনি।

জপানিজ সবমেরিন অমনা ফিলিপিন্সকী হিথাংফম অমদা থুংগদৌরিবসি ২০০১গী মতুংদা হন্দক্কীনা অহানবা ওইগদৌরিবনি। এস্কোর্ট সিপশিংনা কাম রান বেদা থুংগদৌরিবা অদুনা জপানগী নেভিগী অহানবা ভিয়েটনাম খোঙচৎ ওইগনি হায়না স্পোক্সমেন অদুনা হায়খি। সবমেরিন অদুদি ভিয়েটনামদা চৎপদা য়াওরোই হায়রি।

বৈজিংনা টোকিয়োবু সাউথ চাইনা সিদা খুৎ থিংজিল্লকই হায়না মরাল শীখি অমসুং মনিলানা জপানগী মিলিটরি প্লেন মঙা ৱায়রগা শীজিন্নগনি হায়খি।

সাউথ চাইনা সিগী য়েৎনরিবা ফীভমদুদা খুৎ থিল্লদুনা মশাগী লমগী শরুকশিংদা নেভিগী পেট্রোল পাঙথোকপদা মতেং পাংনবা মানিলানা জপানদগী টিসি ৯০ ট্রেনিং এয়রক্রাফট মঙা ৱায়দুনা শীজিন্নরগনি হায়না ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট বেনিগনো অক্বিনোনা হৌখিবা চয়োলদা হায়খিবনি।

অক্বিনোগী ৱারোল অদুদা চাইনানা খুদক্তা রিয়েক্ট তৌখি অমসুং লৈবাক অসিগী সোভরেন্টি অমসুং সিক্যুরিটিদা শীংনরকপা খূদিংমক খোঙফম চেৎনা থেংনগনি অমসুং অৱাংবা থাক্তা মীৎকুপ-নাহুম শীংনা লৈগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# সাউদি আরাবিয়ানা মুস্লিম লৈবাকশিংগী মিলিটরি এলাইয়েন্স শেম্বগী ৱাফম হৌদোকখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) ঃ
নেটোগা মান্নবা মুস্লিম লৈবাকশিংগী ওইবা মিলিটরি এলাইয়েন্স অমা শেম্নবা সাউদি আরাবিয়ানা হৌদোক্লিবা ৱাফম অদু তাংদাংবা লৈবাক অমগী মায়োক্তা নত্তে। তৌইগুম্বসুং টেররিজম লাকশিন্বগী পান্দমদা হৌদোকপা ৱাফমনি হায়না পাকিস্থানি টিভি চেন্নেল দুনয়া ন্যুজনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রপোজ তৌরিবা মুস্লিম লৈবাকশিংগী মিলিটরি এলাইয়েন্স অদুগী টার্গেটশিংগী মনুংদা অমদি ইস্লামিক টেরর গ্রুপনি হায়না ন্যুজ চেন্নেল অদুনা হায়খি।

এলাইয়েন্স অদুদা পাকিস্থান য়াওবা শোইদ্রে অমসুং লৈবাক অসিদা ইনিসিয়েটিব অদুবু লমজিংনবা অমসুং প্রপোজ তৌরিবা এলাইয়েন্স অদুগী ফ্রেমৱার্ক শেম-শানবা লৈবাক অসিদা সাউদি আরাবিয়ানা হায়রক্লে হায়না পাকিস্থানি টিভি চেন্নেল অদুনা মখা তাখি। এলাইয়েন্স অদুদা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক ৩৪না মেম্বরশিং ওইরবা য়াই হায়রি।

সাউদি আরাবিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা অচৌবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ অমা পাঙথোকপগী মতুং তারকপদা মিলিটরি এলাইয়েন্স শেম্বগী পাউ অসি লাকখিবনি। মুস্লিম লৈবাক ২১গী ফোর্সশিংনা শরুক য়ারিবা নুমিৎ হুম্নিগী "নোর্থ থন্দর" মিলিটরি এক্সরসাইজ অদু য়েংনবগীদমক্তা পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফ অমসুং আর্মিগী মকোক জেনরেল রাহিল সারিফনা সাউদি আরাবিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখিবনি হায়রি।

জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ মদু টেরর এটেক অমা মায়োক্লনবা হেন্না নীংথিনা শেম-শাবদা মীৎয়েং থমখি। সুনিনা মশিং য়াম্বা মুস্লিম লৈবাকশিংনা মেম্বর লৈবাকশিং ওইবা য়াবগী ফীভম লৈরিবা মিলিটরি এলাইয়েন্স অদুদা ইরানদি য়াওদবা য়াই হায়রি।

সিয়ানা মেজোরিটি ওইবা মুস্লিম লৈবাক অদুগী মায়োক্তা এলাইয়েন্স অদু শেমগদৌরিবনি হায়না ওবজার্ভর কয়ানা ফোঙদোক্লুবা লৈ হায়রি।

মিলিটরি এলাইয়েন্স শেম্বগী খোঙথাং অসি হন্দক য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউদি আরাবিয়াগী মরী শোকচিল্লকখিবগসু চানৈ হায়রি।

হৌথি রেবেলশিংদা টার্গেট তৌদুনা য়েমেনদা মিলিটরি ওপরেসন চথবগীদমক্তসু সাউদি আরাবিয়াবু লৈবাক কয়ানা ক্রিটিসাইজ তৌনবসু লৈরিবনি। য়েমেনদা কিংদম অদুগী এয়র ফোর্সনা পাঙথোকখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মীচম কয়া শিখ্রে হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, কোল্ড ৱার হৌখিবা মতমদা সোভিয়েট য়ুনিয়নগী থ্রেট থেংনবগী পান্দম অমদা কুম্জা ১৯৪৯দা নোর্থ এটলান্টিক ত্রিটি ওর্গনাইজেসন (নেটো) শেম্বগী ৱাফম য়ানখিবনি।


## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

Bishnupur P.H.E. Division না শীঞ্জ-লাংজদুনা লাক্লিবা তাং ২০/৩/২০১৬ ইং, অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা **"National Rural Drinking Water & Sanitation Awareness Week" 16th-22nd March, 2016 Programme** গী শরুক অমা ওইনা পেন্টিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোকচগনি। হায়রিবা কম্পিটিসন অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবীদুনা মপুঙ ফাহনবীয়ু।

| | | |
|---|---|---|
| Venue | : | Kiyamba Sanglen, Bishnupur. |
| Time | : | 10:00 a.m. |
| Category | : | (A) - Class III - V and (B) - Class VI - VIII |
| Theme | : | **মথক্তা পঞ্জরিবা প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা (থিমদি কম্পিটিসন হৌরমদাইদা খঙহঞ্জগনি)** |
| PRIZE (Each Category) | : | 1st - Rs. 5,000/-<br>2nd - Rs. 3,000/-<br>3rd - Rs. 2,000/-<br>Rs. 500/- (10 Consolation prizes) |

Winner শিংনা Closing Ceremony তাং ২২/৩/২০১৬, অয়ুক পুং ১০:০০ দা Kiyamba Sanglen, Bishnupur দগী প্রাইজ লৌবীরনবসু খঙহঞ্জরি।

**Form Available : Bishnupur PHE Division.**

**Sd/- Executive Engineer,**
Bishnupur PHE Division, PHED, Manipur.

HL-P/7918/17







# EMPLOYMENT NEWS

## MILITARY ENGINEER SERVICES RECRUITMENT 2016 – 467 STORE KEEPER, PEON & OTHER POSTS

**Military Engineer Services Recruitment 2016 – 463 Store Keeper, Peon & Other Posts:** Military Engineer Services has released notification for the recruitment of 463 Civil Motor Driver, Chowkidar, Safaiwala, Meter Reader, Caneman, Store Keeper-II, Peon vacancies. Eligible candidates may apply in prescribed application format on or before 19-04-2016 by 1700 hrs & 26-04-2016 by 1700 hrs for remote areas. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**Military Engineer Services Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 463**
**Name of the Posts: Mate (Tradesman)**

1. **Civil Motor Driver (Ordinary Grade): 81 Posts**
   i. Central Command: 30 Posts
   ii. Western Command: 26 Posts
   iii. Northern Command: 25 Posts
2. **Chowkidar: 85 Posts**
   i. Western Command: 53 Posts
   ii. South Western Command: 32 Posts
3. **Safaiwala: 49 Posts**
   i. Western Command: 10 Posts
   ii. South Western Command: 39 Posts
4. **Meter Reader: 52 Posts**
   i. Western Command: 28 Posts
   ii. Northern Command: 20 Posts
   iii. South Western Command: 04 Posts
5. **Caneman: 24 Posts**
   i. Southern Command: 09 Posts
   ii. Eastern Command: 04 Posts
   iii. Central Command: 04 Posts
   iv. Western Command: 04 Posts
   v. Northern Command: 03 Posts
   vi. South Western Command: 02 Posts
6. **Store Keeper-II: 86 Posts**
   i. Southern Command: 05 Posts
   ii. Eastern Command: 27 Posts
   iii. Central Command: 18 Posts
   iv. Western Command: 15 Posts
   v. Northern Command: 06 Posts
   vi. South Western Command: 15 Posts
7. **Peon: 86 Posts**
   i. Eastern Command: 20 Posts
   ii. Central Command: 20 Posts
   iii. Western Command: 19 Posts
   iv. Northern Command: 12 Posts
   v. South Western Command: 15 Posts

**Age Limit:** Candidates age should be between 18-27 years as on 19-04-2016. Age relaxation is applicable 5 years for SC/ ST, 3 years for OBC, 10 years for PH (OH/ HH), 13 years for PH (OH/ HH)+OBC, 15 years for PH (OH/ HH)+SC/ ST & for others as per Central Govt rules.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Matriculation or equivalent exam with valid Civil Driving License for post 1, Matriculation or equivalent exam for post 2, 3, 6, 7, (10+2) examination for post 4, Matriculation or equivalent exam or ITI for post 5.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on written examination & skill test.

**How to Apply:** Eligible candidates may send their application on plain paper in the prescribed format along with admit card in duplicate affixing self attested passport size photograph on it, self attested copies of relevant certificates, two self addressed envelope of size 28 cm X 12 cm with postage stamp of Rs. 60/- affixed on each envelope for CMD, one self addressed envelope of size 28 cm X 12 cm with postage stamp of Rs. 60/- affixed on each envelope for remaining all posts to the concerned address as given in the notification on or before 19-04-2016 by 1700 hrs & 26-04-2016 by 1700 hrs for remote areas. Superscribe the envelope with Name of the post i.e., D'Man, Store Keeper-II, CMD (OG), Peon, Chowkidar, Safaiwala, Meter Reader & Caneman along with Category (UR/ SC/ ST/ OBC/ PH) in Block Capital letters.

**Important Dates:**
**Last Date for Submission of Application**
19-04-2016 by 1700 hrs
**Last Date for Submission of Application for Remote Areas**
26-04-2016 by 1700 hrs
**Tentative Date of Written Examination**
24-07-2016

**Military Engineer Services Recruitment 2016 – Chowkidar Khansama Posts:** Military Engineer Services has issued a notification for the recruitment of Chowkidar Khansama vacancies. Eligible candidates can apply in the prescribed application format on or before 30-03-2016 (17.00 hrs) & for remote areas 06-04-2016 (17.00 hrs). Other details like age limit, educational qualification, selection process & how to apply are given below…

**Military Engineer Services Vacancy Details:**
**Total No.of Posts: 01**
**Name of the Post: Chowkidar Khansama (UR)**

**Age Limit:** Candidates age should be between 18 to 27 years as on the closing date for receipt of application. Age relaxation is applicable to 5 years for SC/ ST candidates & 3 years for OBC candidates.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Matriculation or equivalent exam from recognized University/ Board.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on interview/ practical test.

**How to Apply:** Eligible candidates send their application in the prescribed application format along with self – attested copies of all relevant certificates, two self addressed envelopes of size 28 cm x 12 cm with postage stamp of Rs 30/- & envelope should be superscribed with Name of the post Chowkidar (Khansama) in block capital letters on or before 30-03-2016 (17.00 hrs) & for remote areas 06-04-2016 (17.00 hrs).

**Important Dates:**
**Last Date for Submission of Application:**
30-03-2016 (17.00 hrs).
**Last Date for Submission of Application for remote areas:**
06-04-2016 (17.00 hrs).
**Date for Written Examination:** 01-05-2016.